# হোৎনববু লেপত্রবদি নোংমদি শোইদনা মাইপাকপা ঙমগনি হায়বসি জুগেশ্বরনা চেৎনা থাজরকখি

মার্সেল আর্টসতা মীৎয়েং অমা | রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



জুগেশ্বর, ফাউন্দর ওফ ইন্টরনেসনেল একাদেমি ফোর লর্নিং মার্সেল আর্টস মণিপুর, ইন্দিয়া




ইন্দিয়া কৌশু টিম ২০১৫ ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস কাউন্সিল

হান্নগী মখা...

শান্নরোয় অমা ওইনা জুগেশ্বরনা য়াম্না নীংবা কায়খিবা থৌদোক অমা হায়রগদি কুমজা ১৯৯৮ দা জপান্দা তৌখিবা "ইন্টরনেসনেল করাটে এন্দ কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ" তা শরুক য়াবা ফংখিদবা অদুনি। ইন্দিয়া টিমদা য়াওননবা সেলেক্সন তৌরক্লবসু শেন থুম্না মরম ওইরগা চৎপদি ফংলকখিদে। অসিগুম্বা নুংঙাইতবা নীংবা কাইবা কয়া তত্তনা থেংনরক্লগসু অহল-লমনশিংগী পাউতাক্তা তত্তনা হায়নবা হোৎনববু কল্লবদি পূক্নিংদা নীংহন্নবা লৈত্রবদি নোংমদি শুংশোই শোইদনা নীংবা থুংগনি হায়বদু জুগেশ্বরনা চেৎনা থাজরকখি। ৱাহৈ খরসু থাজজবগা ইরোইননা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকখি।

অসুম্না মথং মথং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯৯ দা বি এস এফকী স্পোর্টস পার্সনেলশিংগী ওইবা এ এস আই লৌনবগী চাংয়েং অমদা য়াওরনবগী ওফর অমা ফংখি। শিল্লোংদা তৌখিবা রিক্রুইটমেন্ট অদুদা শরুক য়াখি। অদুবু ওন্ন তৈনবা মওংদা এ এস আইগী পোষ্টতা ওফর লাক্লগা কোন্সটেবল ওইনা জোইন্ট তৌননবা খঙহল্লকপদগী নীংবা কাইনা করিমত্তা হায়রমদনা তুমিন্না হল্লকখি। জুগেশ্বরগী ৱাখলদা তৌরিবা মওংদু খরসু য়ানিংখিদে। ইন্টরনেসনেল থাক্তা শান্নরুরবা প্লেয়র অমনা কোন্সটেবলদা থবক চঙবা চুমদে হায়বা ফিরেপ অমসু লৌখি। মদুদগী মখা তানা গভর্ণমেন্টকী জোব তৌররোই হায়না খল্লকখি। গভর্ণমেন্ট সার্ভিস তৌবগী মহুৎতা মার্সেল আর্টসকী একাদেমি অমা মফম চাবদা হাংদোক্লগা ইনখৎলকপা নহারোলশিংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীরগা শেমগৎকে হায়না নীংলকখি। অসুম্না তৌরবদি মশা-মউ ফবা, লমচৎ-শাজৎ ফজবা, থকসি-খাসি খঙবা, অচঙবা নহারোল ময়াম অমা থোইদোক্লা পুথোকপা ঙমগনি হায়না জুগেশ্বরগী পূক্নিংদা ফাওরকখি। হায়রিবা ৱাখল অসিনা মাঙওইনরগা কুমজা ১৯৯৯ দা ন্যু কুংফু ট্রেনিং স্কুল, ককচিং (এন কে টি এস) হায়না মিংথোনবা ইনষ্টিট্যুট অসি হাংদোরকখি। চহী অমা চুপ্পা অকনবা ট্রেনিং তৌরবা মতুংদা কুমজা ২০০০ দগীদি ষ্টেট লেভেলদা পাঙথোকপা কুংফু, কিক বোক্সিং, করাটে চেম্পিয়নশিপ্তা তত্তনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লকখি।

অহানবা ওইনা জুগেশ্বরনা ককচিংদা একাদেমি হাংদোরকপা মতমদা শুপ্পগী প্লেয়র ১৮ খক্তনা হৌদোরকখি। এন কে টি এস ককচিংগী প্লেয়রশিং অসুম অসুম ফগৎলকপদগী মীয়াম্নসু থোইদোক্লা খঙনরকখি। কুমজা ২০০১ দা নাগালেন্দগী মকোকচুংদা তৌখিবা "নেসনেল কুংফু চেম্পিয়নশিপ" এন কে টি এস অসি চাউনা মায়পাক্লকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা বেষ্ট টিম তারকপগা লোয়ননা বেষ্ট ফাইটরগী এৱার্দসু ময়াংলম্বম বিমোলজিৎনা লৌবা ঙল্লকখি। অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০০১ দগী ২০০৩ ফাওবা থংনা থংননা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাদুনা পূন্না ট্রোফি তরা অমদি টিম রন্নর্স-অপ কী ট্রোফি তরা অমদি টিম রন্নর্স-অপকী ট্রোফি নিপান ফংলকখি।

অসুম্না কুংফুগী ফীভম ফগৎলকপদগী মণিপুরগী অতোপ্পা মফম কয়াদসু ব্রাঞ্চ হাংদোক্লবা হোৎনরকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লাই, নোঙাদা, পুংদোংবম, লৈশাংখোং, শওম্বুং, ৱাইটোন্নচিংবা মফমদা ট্রেনিং সেন্তর থমদুনা কুংফুগী শান্নরোয় ৩০০ মুক শেমগৎলকখি। মণিপুরগী মফম খরদা কুংফুগী ট্রেনিং সেন্তর মথং মথং হাংলকপগা লোয়ননা কুমজা ২০০৩ গী মতমসিদগীদি আসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু ট্রেনিং সেন্তর চল্লাইরকখি। মৈতৈ মচাশিংনা হাংদোরকপা ট্রেনিং সেন্তর অসিগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমনা এসিয়ন লৈবাকশিংদগী হৌরকপা মার্সেল আর্টসকী ষ্টাইল খুদিংমক অসিগা মণিপুরগী ষ্টাইলগা য়াম্না মান্নরম্বা অসিনি। কাওবদা, থিনবদা, লৈথোক লৈশিন্দা, চোঙখৎপদা... তোঙান তোঙানবা বোদি মুভমেন্টশিংদা মান্নবা লৈরম্বনা মৈতৈ মচাশিংনা পুথোরকপা টেক্নিক পুন্নমকসি মপান লমগী মীনা য়াম্না পান্নে। অদুগা মতাং চানা পুথোরকপা উৎলকপা মার্সেল আর্টসকী ফিল্মশিং (থাইলেন্দ অমদি চাইনিজশিংনা) অসিসু য়াম্না কান্নে। ফিল্মদা উরকপা খঙলকপা কয়াদু নহাশিংদদি অকনবা ইথিল পীবা ঙম্মী। ইনখৎলকপা নহারোলশিংনা আর্টস অসি পাল্লক্লবদি তম্নবা কোইথি থিনরক্কনি। হায়রিবা মতমসিদা চাইনিজ অমদি থাই মুভিশিংদা উৎলিবশিং মদুদা শীজিন্নরিবা টেক্নিকশিংদু মৈতৈ মচাশিংনা তাকপী তম্বীরিবশিংগা মান্নবা কয়া লৈবনা, ইন্দিয়াগী মফম খরদদি মার্সেল আর্টস হায়বা মশান্না অসি ফিটনেস অমদি সেল্ফ দিফেন্সকী ওইনা হৈনেনবা তম্নে। মফম খরদা কোইনা চৎতুনা কুংফুগী তাকপী তম্বীবা মীওই অমা ওইনা লৈরল্লগা কুমজা ২০০৪ দদি বেঙ্গলদা লৈবা ইন্দস ইন্টরনেসনেল স্কুলদা মার্সেল আর্টসকী ওজা ওইনা থবক ফংলকখি।

অমরোমদা, ইন্দস ইন্টরনেসনেল স্কুল অসি ইন্দিয়াদা লৈবা ইন্টরনেসনেল স্কুলশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা মমিং লৈবা স্কুলনি। কুমজা ২০১২ দগী ২০১৪ ফাওবা মরিরক হন্না বেষ্ট ইন্টরনেসনেল স্কুল এৱার্দ ফংদুনা রেঙ্ক ৱান্দা লৈরিবা অদুগুম্বা স্কুল অমনি। মালেমগী লৈবাক ৩৫ দগী লাকপা মহৈরোয় কয়া স্কুল অসিদা নুংঙাইনা মহৈ তম্লি।

# মারিয়া শারাপোভানা ব্রিসবেনদা ইকাটেরিনা মাকারোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি



ক্বীন্সলেন্দ, জন্যুৱারি ০৩ঃ

মারিয়া শারাপোভানা মহাক্কী ওষ্ট্রেলিয়ন কেম্পেনগী মাঙওইননা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেলগী ইরাই নুমীৎতা ওৎখিবা দ্রোদা ইকাটেরিনা মাকারোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমসুং থার্দ সীদ শারাপোভানা ৱর্ল্ড নম্বর ২৩ মাকারোভাগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি। মেচ অসি মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেলদা শারাপোভা অমদি মাকারোভানা শান্নখিবা অদু অমুক হল্লকপা মেচ ওইরে হায়না লৌনরি।

মঙারক গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা শারাপোভানা হায়খি, মসি মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নখিবা গ্রান্দ স্লামগী সেমী ফাইনেল অদুনি। অহানবা মেচ ওইনা মসি থাক ৱাংবা মেচ ওইনা টফ ওইবা ওপোনেন্টগা মায়োক্লগনি হায়খি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী ৱর্ল্ড নম্বর ফোর শারাপোভানা মমাঙ চহীগী ব্রিসবেন ফাইনেলদা অনা ইভানেভিকপু মায়থিবা পীখি অমদি মমাঙদা থেংনখিবা মখোয়গী মেচতা মাকারোভাবু ৬-০ দা মায়থিবা পীদুনা মাঙজিল থানা চৎলি।

ৱর্ল্ড নম্বর টু অমদি টোপ সীদ সিমোনা হালেপনা মহাক্কী ওপনিং মেচতা বাই ফংখি অদুবু সেকেন্দ রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অনীরক লৌখ্রবা ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

স্পেনগী গারবিন মুগুরুজানা অনীশুবা সীদতা লৈরি। মহাকপু অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি অমদি অনীশুবা রাউন্দদা অমেরিকান ভারবরা লেপচেঙ্কো নৎত্রগা স্লোভাকিয়ন অন্না কারোলিনা অনীগী মরক্তা অমগা শান্নগনি। নুপীগী ৱর্ল্ড টোপ ২০ ফাওবদা লৈবা মাপননা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি। মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অজারেঙ্কা অমদি জেলেনা জাঙ্কোভিকসু শরুক য়াগনি।

নুপাগী দ্রোদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেন মিটচেলনা ৱাইল্ড কার্দ নৎত্রগা ক্বালিফাইয়র ওইনা চঙলক্তুনা রোজর ফেদররগা অহানবা ওপোনেন্ট ওইনা শান্নগনি।

গ্রান্দ স্লাম ১৭ লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ফেদররনা অহানবা মেচতা বাই ফংখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী তরেৎশুবা সীদ বেরনার্দ টোমিকনা ফ্রেঞ্চমেন নিকোলাস মহুটকা ফর্ষ্ট রাউন্দদা থেংনগনি। টুর্নামেন্ট অসি ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

# টেষ্ট মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন ষ্টেভ স্মিথনা মালেমগী ওইনা শিংথানিংঙাই ওইবা বেটসমেন অমা ওইবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৩ঃ

হৌখিবা চহী ২০১৫ দা শান্নখিবা ক্রিকেটকী টেষ্ট মশান্নাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টেভ স্মিথনা মালেমগী খ্বাইদগী রন মশিং য়াম্না লৌবা ঙম্বা প্লেয়র ওইরে হায়না আই সি সিগী চেরোল অমগী মতুংইন্না ফোঙদোরক্লি।

আই সি সিগী চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেভ স্মিথ অসি মশান্না অসিগী লমজিংবা অমা ওইবদা নত্তনা মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী অফবা বেটসমেন অমনি হায়না শিংথানখি। হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াবু থংন-থংননা টেষ্ট সেরিজ অনীরক মায় পাকহনখিবদা চাউরবা মতেং পাংখিবা স্মিথনা কুমজা ২০১৫ দা সেঞ্চুরি তরুক অমদি হাফ সেঞ্চুরি মঙা য়াওনা অপূনবা রন ১৪৭৪ লৌদুনা চাংচৎতা ৭৩.৭ ওইখি। ইংলেন্দগী জোরুট অমসুং এলেষ্টর কুকনা মথংশিংনা টেষ্ট মশান্নাদা মালেমগী ওইনা রন মশিং য়াম্না লৌবা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা প্লেয়র ওইখি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চহী মরিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন অমনা চহী অমদা টেষ্ট মশান্নদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না রন লৌব ঙম্বসি হন্দক্কী অসিগা থারগা অহুমলক শুবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্নগী কেপ্টেন মাইকেল ক্লার্কনা কুমজা ২০১২ অমসুং কুমজা ২০১৩ দা টেষ্ট মশান্নাদা খ্বাইদগী রন মশিং য়াম্না লৌখি অদুগা কুমজা ২০১৪দনা শ্রীলঙ্কাগী হান্নগী কেপ্টেন কুমার সঙ্গাকরানা টেষ্ট মশান্নাদা খ্বাইদগী রন মশিং য়াম্না লৌব অনীশুবা ক্রিকেটর ওইখি।

হন্দক্তা দরবানদা পাঙথোকখিবা কিংস মিটতা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নখিবা টেষ্ট মেচতা ইংলেন্দগীদমক জো রুটনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা রন ৭৩ লৌখি অমসুং কুমজা ২০১৫ দা টেষ্ট মশান্নাদা অপূনবা রন ১৩৮৫ লৌদুনা চাংচৎতা ৬০.২১ ওইখি।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেভ স্মিথনা মহাক্কী হোৎনজমল অদুনা আই সি সিগী ক্রিকেটর ওফ দ ইয়ার এৱার্দ ফংদুনা সার গারফিল্ড সোবর্স ট্রোফি লৌখ্রবা চয়োল অমগী মতুংদা মহাক্কী টেষ্ট মেচতা রন য়াম্না লৌবগী মিংচৎ অদু ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টেষ্ট কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা কুমজা ২০১৫ দা অপূনবা টেষ্ট মেচ ৯ শান্নখিবদা রন ৬৪০ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা টেষ্ট মশান্নদা খ্বাইদগী রন মশিং য়াম্না লৌবা ঙম্বা শন্নরোয় ওইখ্রবসু আই সি সিগী টেষ্ট বেট্টিংগী রেঙ্কিংদদি মালেমগী ওইনা ১৫ শুবা মফমদা লৈরি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন্না এফ সি গোৱাদা শো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে



পানাজি, জন্যুৱারি ০৩ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না এফ সি গোৱাদা শো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ২০ দা মখোয়না চেন্নাইয়িন এফ সিগী মখুৎতা আই এস এলগী ফাইনেলদা মায়থিখ্রবা মতুং খৎন-চৈনবা থোকখিবা অদুগীদমক মখোয়দা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌরোইদবগী মরম শন্দোক্লা হায়রক্লবা খঙহনখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা এফ সি গোৱাদা পীখিবা চিঠি অমদা এ আই এফ এফনা গোৱান ফ্রেঞ্চাইজ অমদি লন্নাই মীওইদা চার্জ তৌরদুনা মখোয়না জন্যুৱারি ৮ ফাওবগী মমাঙদা অইবা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখি। ফেদরেসনগী সোর্স মতুংইন্না এফ সি গোৱাদা এ আই এফ এফকী দিসিপ্লিনরি কোদ (টিম মিসকন্দক্ট) গী আর্টিকেল ৫৩ গী মখাদা, আর্টিকেল ৫৮ (ওফেন্সিব বিহেবিয়র) গী মখাদা অমদি আর্টিকেল ৬০ (থ্রেট) গী মখাদা চার্জ তৌরি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২০ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) গী ফাইনেল মেচ লোইবগী হুইসল খোংখ্রবা মতুং য়াল্লবা এফ সি গোৱাগী সবষ্টিট্যুট প্লেয়রশিং অমসুং রাজেশ মালগিনা লুচিংবা ওফিসলশিং, এফ সি গোৱাগী ইক্বিপমেন্ট মেনেজরনা রিফ্রীদা থোমজিনখি, মখোয়না কোয়শিনখি অমদি অকি অখঙ পীখি।

জপানগী রেফ্রিশিং অদুদা লুজদবা ৱাহৈনা চৈ থাংখি অমদি ফু চৈদুনা অকি অখঙ নংহনখি হায়না এ আই এফ এফকী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

চিঠি অদুদা হায়, এফ সি গোৱানা প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন সেরেমোনিবু বোয়কোট তৌবগী ৱারেপ লৌখিবা অদুনা গেম অসিগী মিংচৎ থিহল্লে অমদি আই এস এল রেগুলেসনগী আর্টিকল ২২.২ গী মখাদা এক্সন লৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি। আর্টিকল ২২.২ অসিনা আই এস এল, আই এম জি আর/এফ এস দি এল, এ আই এফ এফকী মিংচৎ থিনিংঙাই ওইবা থবক তৌরকপদা য়েংশিল্লি অমদি তোঙান্না এফ সি গোৱাগী প্রসিদেন্ট দত্তরাজ সালগাওকরদা এক্সপ্লোনেসনগীদমক হায়খি।

# পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ঃ

৪৯ শুবা পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ হয়েংদগী মোরেগী গালঙাম লেমতোন ফুটবোল গ্রাউন্দদা ১১ আসাম রাইফলস মোরেগী কম্মান্দিং ওফিসর কর্নেল মনোজ এ পি, এস সি, এস এমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মোরে পুলিস ষ্টেশনগী এদিসনেল এস পি মোইরাংথেম মোবি (এম পি এস), হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট জংমাং হাওকিপ, মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম থোইবা, ওল কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন মোরেগী প্রসিদেন্ট আই ইবোবী অমসুং মণিপুরী মুসলিম কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম দি হুসেন্না মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ম্যান্মারগী ফুটবোল টিমসু শরুক য়াগনি হায়রি।


# ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ৯ দগী ১২ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণদা রজিব গান্ধি খেল অভিয়ান (আর জি কে এ) স্কিমগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল রুরেল লেভেল স্পোর্টস কম্পিটিশন ২০১৫ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসিএলশিং থা অসিগী ৫ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

অহানবগী গ্রুপকী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিশন অসিদা টাইক্বান্দো, এঠলেটিক অমসুং ভোল্লিবোল মশান্নদা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াগনি।

# ৱাজাও ঙাঙবা ওপোনেন্টশিংদি মায়োক্লবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা ওই : প্রোফেসনেল বোক্সর ভিজেন্দর



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ০৩ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা প্রোফেসনেল বোক্সর ভিজেন্দরনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৩ দা লিভরপুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাক্কী মরিশুবা প্রোফেসনেল বাউটকীদমক অফবা জিম অমদা মতম তেল্লবসু তেন্না শেম শানবগী থৌরাং তৌখ্রে।

ভিজেন্দরনা মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা প্রোফেসনেল বাউট অহুম্মক নোক আউটতা মায় পাক্তুনা রেষ্ট লৌখি। মহাক্কী রেষ্ট মনুংদা শেম শাবগী থবক থৌরমশিং অদুমক পায়খৎলি। ভিজেন্দরনা মহাক্কী মরিশুবা প্রোফেসনেল বাউটকীদমক জন্যুৱারি ৪ দা য়ুনাইটেদ কিংদমগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রগনি হায়রি।

প্রোফেসনেল বোক্সর ভিজেন্দরনা হায়খি, ঐগী মথংগী ফাইট ফেব্রুৱারি ১৩ দা লিভরপুলদা শান্নগনি। হৌজিক ফাওবা ঐগী লম্বা অদু কনা ওইগনি হায়বসি মশক খঙবা ঙমদ্রি। ঐহাক চাংনাইনা ট্রেনিং তৌবদি লেপত্রি। ঐহাক হৌজিক ট্রেনিং রুটিন পাঙথোক্লবগীদমক অফবা জিম অমা য়েংলি। জিম অয়াম্বা অনৌবা চহীগী হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্লবগী থোঙ লোন্দুনা লৈনরি অদুবু অতেনবা মতমগী ওইনা ট্রেনিং তৌবা য়াহনবীনবা হায়জগনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা ভিজেন্দরনা মখা তানা হায়খিবদা, মহাক্কী শিনফমদা মায়োক্লগদবা লম্বাশিংবু তরাইনা লৌবা লৈতে। লাক্কদবা ঐগী চেল্লেঞ্জগীদমক জিমদা চঙদুনা মতিক চাবা ইথৌ পাঙথোক্কনি হায়খি।

ভিজেন্দরনা ফংখিবা মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনেল বাউট অনী অমসুং অহুমশুবা বাউটতা মথংশিংনা রউন্দ মরি অমদি রাউন্দ তরুক্কী কন্টেষ্ট ওইখি অদুবু লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৩ গী মরিশুবা বাউটতদি রাউন্দ নিপানগী ফাইট ওইরবা য়াবগী থাজবা লৈরবসু ওলেম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদলিষ্ট অসিনদি মহাক্কী অপীবা বাউট খুদিংমক অপীবা মতমদগী হেন্না তেনশিনহন্দুনা লোইশিনহনবা পল্লি।

মমাঙদা এমেচর সার্ক্যুইটতা মালেমগী মকোক থোংনা লৈরম্বা ভিজেন্দরনা ৱাজাও ঙাঙবা ওপোনেন্ট কয়া মায়োক্লদুনা য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীখ্রে। মমাঙগী বাউটতা বৃটেনগী সোনি ৱাইটনিংনা ভিজেন্দরবু করিশু খনদনা লাকচনা মায়থিবা পীগনি হায়না কিহনখি অমদি বলগেরিয়াগী সমেট হিয়ুসৈনোভনা মহাকপু মশা পুম্বা থুদেল্লগা মায়থিবা পীদুনা ময়ুম লমদম ইন্দিয়াদা হলহনখিগনি হায়না ৱাজাও ঙাঙখিবা কয়া লৈখ্রবসু তশেংনা রিংদা মায়োক্লখিবা বাউটতদি ভিজেন্দরগী শক্তি লৈরবা পঞ্চতা খাঙবা ঙমদনা রেফ্রিনা মখোয়বু কনবীখি।

ৱাঙাঙ কমজাও হুনবা বোক্সরশিং থেংনখিবদা করি করম্বা ইহুল ফাওবগে হায়না হংখিবদা ভিজেন্দরনা হায়খি, বাউট শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা ৱা য়াম্না ঙাঙবা মীওইশিং অসিবু রিংদা শান্নরকপা মতমদা ঐহাক্না থিনগাইখিবা অসিমক হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। ঐদি মতম পুম্নমক্তা ঐগী বাউট খুদিংমক অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবা পাম্মী। ৱা য়াম্না ঙাঙবা অদুগা রিংদনা মরিংজেল পান্দবাা মীওইশিংগা থেংনবা হায়বসি ঐগী ওইনদি লাইবক ফবনি হায়খি।

# জোকোবিচনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা কটারদা শান্নদুনা কেম্পেন হৌরগনি



মোহা, জন্যুৱারি ০৩ঃ

টেনিস হিষ্টোরিদা খ্বাইদগী শিংথানবা চহী কুমজা ২০১৫ না চৎখিবগা লোয়ননা নোভাক জোকোবিচনা কুমজা ২০১৬ কী কেম্পেনগী ৱার্ম-অপ কটারদা হৌদোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল দিফেন্স তৌগদৌরি।

সার্বিয়ন মচা অমদি হৌজিক ৱিমব্লেদন অমদি য়ু এস ওপনগী হোল্ডর ওইরিবা অসিনা নিংথৌকাবা নুমীৎতগী দোহাদা হৌগদৌরিবা কটার ওপনদা অকনবা ফিল্ডর অমা ওইনা শরুক য়াগদৌরি। ওপন অসিদা রাফেল নদাল, টেমোস বার্দিচ অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দেভিদ ফেররসু শরুক য়াগনি।

মীয়াম পুম্নমক্না ওপন অসিদা জোকোবিচতা মিৎয়েং থম্লরি। মহাক্না মমাঙ চহীদা টেনিসতা মায় পাক্না চৎখিবা অদুদগী কয়া হেন্না চহী অসিদা তৌবা ঙম্বগী থৌনা উৎথোকপগে হায়বদু য়েংনবা টেনিস ফেনশিংনা ঙাইনরি। মসিদা মহাক্না তৌবা ঙম্বদু উৎথোকপা ঙল্লবদি লাক্লিবা জন্যুৱারি ১৮ দগী মেলবোর্নদা হৌগদৌরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লামগী টাইটল লৌনবগী অশা অদু মঙফাওনহনগদৌরিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুবা অসিনা মমাঙ চহীগী মেন'স টেনিসতা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি অমদি মেজর টাইটল অহুম লৌখি, থংন-থংননা টুর ফাইনেল ১৫ রক চঙখি অমদি য়াল্লবা শেনফম মিল্লিয়ন য়ু এস দি ২১ গী প্রাইজ মনি লৌবা ঙমখি।

মহাক্না চহী অমদা গ্রান্দ স্লাম মরিগী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহুমশুবা টেনিস প্লেয়রসু ওইবা ঙমখি। মহাক্না গ্রান্দ স্লাম অহুমগী টাইটল লৌবা ঙমখি অদুবু ফ্রেঞ্চ ওপনদি ষ্টান ৱারিঙ্কাগী মখুৎতা মায়থিদুনা রন্নরস অপ তাহৌখি।

মমাঙগী সিজনদা মায় পাকখিবা অদুনা জোকোবিচনা কুমজা ১৯৬৯ দা রোদ লেভরনা সিজন অমদা গ্রান্দ স্লাম মরিমক লৌখিবা অদুগী মতুংদা লৌবা ঙম্বা অহানবা প্লেয়র ওইনবা মঙ মঙদুনা লাকখি। অদুবু সিজন অসিদা গ্রান্দ স্লাম মরিরক্তা নত্তনা অহেনবা মঙাশুবা মেজর প্রাইজ ওইনা ওলেম্পিক গোল্ড মেদল লৌনবা থৌরাং তৌরি।

মফম অসিদা ঐখোয় অনৌবা সিজনগীদমক অমুক হন্না লাক্লে হায়না জোকোবিচনা হায়খি। ঐনা মফম অসিদা লাকপদা নুংঙাইবা ফাওই অমদি সিজন অসিগী অহৌবা টুর্নামেন্টদা ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎকনি। মসিগীদমক মিৎয়েং থমদুনা লৈবীয়ু হায়খি।



HL-B/2856/24/12-23/1



HL-B/2870/1/01-30/1